# মণিপুরী ফিল্মগী অহানবা হিরোইন য়েংখোম রোমা দেবী

*- নানি*

পীক্লবসু মণিপুর মতিক ময়াই য়াম্না চেনবা মহৌশাগী ফজরবা খুদোল কয়ানা কয়াৎ ওইরগা, মচু কয়াগী ইনাৎ ইচুনা কুয়োম নাইনা য়োমশিন্দুনা চেকশিন-তাশিন্না লৈরিবা লমদমনি। অদুনবু অশৈবশিংনা শৈথারম্মীবনি, “সনা লৈবাক মণিপুর, মণিপুর, কোলোই নঙগী মণিপুর, মণিপুর”। হিরম খূদিংমক্তা মীকোক থোংবৈ’ মথৌনা-মরিংজেল পোকপদে লোয়নদুনা লাক্লি। অদুঙৈ ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা লমদমসিগী মপান নাইদ্রবা ফজরবা আর্টস এন্দ কলচরগী পৈদুনা লৈরিবা মচাক মরল কয়া ঙসিসু ময়েং তাবা লৈত্রি। মালেমগী মীপুম খূদিংনা কল্লক্করিবা ফজরবা আর্টসকী ওইবা পোখোক কয়াসিগীদমক মীপুম তিংনা চাউথোকচবা ঙল্লিবনি।

মালেমগী ওইনা য়েংলুবদা, সিনেমা হায়বসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ চহী চা কয়াদগী লৈরকখ্রবনি, অদুবু মণিপুরদদি য়াম্না থেংনা লাকখিবনি। কুমজা ১৯৭২ খক্তদনি মণিপুরী ফিল্মনা মীয়াম মাঙদা মতমগী মণিপুর হায়বা অমগা লোয়নননা শাফোঙলকখিবদু। শুপ্নগী চহী ৫০ মুক্তা ঙাইরি। ঙক্লিবদি হেক পোকপগা মীরক তীনবা হৌখি। এৱার্দ ফংবা হৌখি। চেঞ্জ-চোংজরিবা পুম্নমকশিংনা মমিৎতগী মপি তাদুনা হোৎনজমন মহৈ চাগদৌরমাল্লে হায়না মিহুন চোংবা হৌরকখি। মদুদা য়াওল্লকখিবনি, লমদমসিগী তাঙলবী, ইহান হানবী হিরোইন ওইনা থোরকখিবী য়েংখোম রোমা। মতমদুদৈনা হৌজিক ফাওবসিদা লেপ্পা লৈতনা হোংলক্লিবা মতমগী ঈচেল খঙনা ইতিন্নরকখিবী তাঙলবী ঐখোয়গী লময়ানবীনি য়েংখোম রোমা দেবী।

শক্লাইরবী এক্টর অসিগী অহল-লমন, ইধৌশিং কোনুংগী ফম্ন ৷ইবা ওইরমখি। মতমদুদা লংথবাল কোনুং শেমগৎলকপদা মনা ইংখোল ওইনা লিলোং চজিংদা নিংথৌনা পীবীখিবনি। মফমদুদা পোকখি। মদুদগী ইকুই কুইদনা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈখি। পীক্লিঙৈ স্কুল তন্নিঙৈদগী (শুপ্নগী ক্লাস থ্রী তন্নিঙৈদগী) হৌনা লীলা মচা মচা য়াওবা হৌরকখি। থোইদোক্লা লীলা য়াওরগে হায়না য়াওবা নত্তনা ওজা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম সমরেন্দ্র ওজা অসিনা নমদুনা য়াওহল্লকখিবদগী মদুগী ঈহৌ অদু ময়োল চোংবা হৌরকখি। কোলেজগী মতম য়ৌরকপদদি মপুং ওইবা লীলা কুমদুনা ঠিএটরদা খোঙদাবা হৌরকখ্রে। ষ্টুদেন্টস আর্টিষ্ট এসোসিএসন হায়বা অমা লিংখৎতুনা ঠিএটরগী ঈহৌ অসি য়াম্না য়াংশিনহল্লকখি। ওল মণিপুর ড্রামা ফেষ্টিভেল হায়রিবা অদুদা মাইবম রামচরনগী স্ক্রিপ্ট অমদি দিরেক্টর ওইবা **“কখোকপা”** হায়বা প্লে অমা শান্নখি, মদুদা মমা অমগী রোল লৌখি, বেষ্ট সপোর্টিং এৱার্দ ফংখি, অদুগী মতুংদা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী **জজ সাহেবকী ইমুং** হায়বা প্লে অসিদা অমুক কুম্লকখি। মদুদসু বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা ফংখিবতা নত্তনা বেষ্ট এক্টর, বেষ্ট স্ক্রিপ্ট, বেষ্ট দিরেক্টর, বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর, বেষ্ট কোমেদিয়ননচিংবা অয়াম্বা এৱার্দ খূদিংমক ফংবা ঙমখি।, য়াম্না মায় পাকপা অমা ওইখি। কুমজা ১৯৬৬তা রূপ রাগদা য়াওদুনা ৱিল্লিয়ম শেক্সপিয়রগী **মেকবেথ** হায়বা প্লে অদু শান্নখি। মদুদা লেদি মেকদফকী রোল লৌদুনা শরুক য়ারকখি। মতমদুদা রূপ রাগ হায়বসি ঈশৈখক্তগী লূপ অমা ওইরমদে, ঠিএটর, দান্স, ম্যুজিককী ওইবা অপূনবা অমা ওইরম্মী। মমিং লৈরবা প্লে, দান্স লেপ্তুনা পুথোরকখি। বাদল সারকারগী রূপ রাগনা ১৯৭৪ ফাওবগী মনুংদা প্লে ৭ পুথোরকখি। মদুদা লোয়নমক শরুক য়ারকখি- মমিং পল্লবদা, *মেকবেথ, অশংবা নোংজাবী, এবং ইন্দ্রজিৎ, মমি য়াওদ্রবা মী, ঙাইহাক লম্বীদা, দশা, অনধা য়ুগ* অসিনি।

কুমজা ১৯৭১ য়ৌরকপদদি মণিপুরী ফিল্ম পুথোক্লবগী পাউ তাবা হৌরে, পাউচেদা আর্টিষ্ট কৌরি হায়বনচিংবা হাপ্লকখি। পামজবশিংনা এপ্লিকেসন থাজিন্নে। অদুবু ঈকায় খুম্নজরিবা ৱাই রোমাদি চে থাজিনবা য়াওখিদে। মণিপুরদা ফিল্ম তৌগনি



হায়বসিফাওবা থাজনখিদে। ফিল্মগী কাঙবুশিংনা ফিল্ম য়াওরনবা য়ুমদা লাক্তুনা হায়রফাওবা নোংমতা চৎখিদে। নোংমদি ফিল্মদুগী প্রদ্যুসর করাম অমুমচা মশামক লাক্তুনা য়ুমদা থিরকখি। মতমদুদা কাংথোল অচৌবা তুম্নদবা অমগী মরুমদা চঙশিল্লগা লোৎতুনা খাংখি। অদুবু লাইবক্তা তম্বনরা কৈনো, নোংমা ইমাসিনা মাগীদা অমুক্তা লাকউ হায়না মী থাদুনা কৌরবদা, ফিল্মগী কাঙবু কোলকাটাদগী লাকপা দিরেক্টর, কেমেরামেননচিংবা লৈরমখি। নুমীৎ অদুদা অদুম মখোয়না সেলেক্সন তৌদুনা মতমগী মণিপুরগী রোল অদু ফংদুনা কুমখিবনি। ফিল্ম নম্বদু কোলকাটাদা অয়াম্বা নমখি। কেমেরাগী মখোলনে, অমুক্তগা তৌদবনে, ইপা পাখৎখি। অদুবু মায় পাকপা হায়বদু ওইখ্রে। ফিল্ম নমখিবা মতমদু বাংলাদেশকী লান তৌবা মতমগা ওইবনা য়াম্না ৱানা নমখি। নুমীদাংসি মৈ অমত্তা থানবা য়াদে। বোম্বিং তৌগনি হায়বা পাউ অমা শন্দোরকপদগী ইমুং অমত্তা নুমীদাংদা মৈ থানখিদে। পুঙমম মমখি। য়াম্না ৱানা নমখি। মতমগী মণিপুর নম্বগী নুংঙাইরবা অমদি নুংশিরবা ৱারী কয়া অমা লৈ, মদু লোইনা তম্বদা স্পেসকী প্রোব্লেম লৈবনা খুদোংচাবদি ওইদ্রে। মখা চত্থরকপদা মণিপুরী ফিল্ম কয়া মথং মথং কুম্লকখি- **লমজা পুর্শুরাম, ওলাংথাগী ৱাংমদসু, পাউখুম অমা, অরোইবা বিদাই** নচিংবা ফিল্ম কয়া অমদা মরুওইবা রোল লৌদুনা শরুক য়ারকখি। **উরিরৈ মাধবী** হায়বা ফিল্ম অমগীসু ঈশৈ অনী অহুম- *চাক্লিবা লাম্মৈ অথাপ্পা চীংদা, ঐগী নুংশিবসু নঙনি, ঐগী পুন্সিসু নঙনি, পোকমিন্নরগা লৈগী জাৎতা* হায়বনচিংবা ঈশৈশিং অসি নম্বা পুল্লোই লোইখ্রবনি, অদুবু মপুং ফাখিদবনা রিলিজতি তৌখিদ্রে।

মসিগী মথক্তা মমিং লৈরবা ফিল্ম **ইমাগী নিংথেম** অমদি **ইশানৌ** হায়রিবা ফিল্ম অনী অসিদসু মপুং ওইনা শীন্দোক শীঞ্জিন অমদি সূটিংগী থবক থৌরমদগী হৌরগা ফিল্মগী হেক হৌরকপদগী টেবল ৱার্ক কয়াদা শরুক য়াবীরকখি। লোয়নননা কেরেক্টর মচা মচাশিংগী দৰ্ৱিংনচিংবা কয়াদসু শরুক য়াখি। মণিপুরী ফিল্মবু চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মখা তারকপদা অখন্নবা দিজিটেল ফিল্ম অমা অনীদসু রোল লৌবীদুনা নহাশিংগী পূক্লিং থৌগৎপীদুনা শরুক য়াবীরকখি।

**ইমাগী নিংথেম** কোলকাটাদা স্ক্রিনিং তৌবা মতমদা ময়াম পুম্নমক্লা লাউশিন্দুনা করেম কথাইনখিবগী ৱারী লৈখি। ইমাগী নিংথেম উৎখিবা নুমীৎতু, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ফাওরবা এক্ট্রেস অপর্না সেনগী মমিং লৈরবা ফজরবা কলর ফিল্ম অমা য়েংলবা মতুংদা **ইমাগী নিংথেম** সি স্ক্রিনিং তৌখিবনি। স্ক্রিনিং তৌবদু মণিপুরদগী- ঐগ্যা ইবোহল, এম কে বিনোদিনি, য়েংখোম রোমা, আর কে বিদুর চৎখি। অদুবু দিরেক্টর ওইবীখিবা এ শ্যাম শর্ম্মাদি করিগুম্বা অচিনবা অমা লৈবদগী চৎখিদে। ওদিয়েন্সশিংনা মণিপুরী ফিল্ম অদু য়াম্না করেম কথাইনদুনা য়াম্না লাংনা য়েংখি। ওদিয়েন্সশিংনা ফিল্ম অদু নীংথিনা য়েংবীখিদে। অদুবু ফোরেনগী ফিল্ম ক্রিটিক্স, দিরেক্টর খরদি ফিল্ম অদু য়াম্না নীংথিনা য়েংবীখি মদুগী মনুংদা- জে ান ৱোরিংতন হায়রিবা ক্রিটিক্স অদুনা হৌগৎলগা লাংলিবা ওদিয়েন্স অদুদা লাউদুনা চৈখি, *“নখোয় য়েংনিংদ্রগা মপান থোকখো, করিগী অসুক ফজবা ফিল্ম অসি য়েংবদা দিষ্টর্ব তৌরিবনো?”* ৱাহৈদু তাবদা ময়ামদু তুমীন লৈখি, অমদি মতু ইপোন পোন্না য়েংজরিবা মণিপুরদগী চৎলিবশিংগী থম্মোয়দা অনৌবা থৌনা অমা হাপ্লীখি। ফিল্মদু স্ক্রিনিং লোইরবা মতুংদা ফিল্মদুগী মরমদা দিস্কসন তৌখি। মদুদা ফোরেনরশিং- দেরেক মোলকোম, অলেক জেলান্দো, পেত্রিসিনা মোরাহ হায়বা গার্মেনিগী ক্রিটিকনচিংবা ময়ামদুনা ইমাগী নিংথেম হায়রিবা ফিল্মসি ফজবা ফিল্মনি, ফিল্ম অসি হ্যুমেনিটি অমদি কলচরদা মপুং ওইবা ফিল্ম অমনি, মসি য়াম্না ফজবা অমা ওইরে হায়বনচিংবা ফিল্মসিগী অফবা ঙাক্তা হায়নরকখি। মদুগী মতুংদদি ময়ামদুনা ফিল্মসিগী চৎলিবা ময়াম অদুবু য়াম্না হরাওনা তৌবীদুনা শক তাক্লখি। মদুগী খোঙচৎ অদুদা য়েংখোম রোমাসু য়াওখি, মণিপুরী ফিল্মগীদমক্তদি মহাক অচিনবা লোইনা থাদোক্তুনা ফিল্মগী খন্ন-নৈনবা অমদি অফবা মায়কৈ অমা পুরক্লবা হোৎনবদা চোকথবা লৈখিদে। কোন্নথংদা ফিল্ম অদু গ্রান্দ প্রি এৱার্দ ফ্রান্সকী কান ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা ফংখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা ফিল্ম ওইখি।

হৌজিকসু মণিপুরী ফিল্মগীদমক্তনি হায়রবদি থৌরম কয়াদা চিংখবা লৈতনা শরুক য়ারি। খন্ন-নৈনবদা য়াম্না মপুং ওইবা থৌদাং লৌবীরি। তাঙলবী লমদম অসিগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবী এক্ট্রেস অমনা ফিল্মবু চাউখৎনবা হোৎনবদা লৌবীরক্লিবা থৌদাং কয়াশিং অদু নীংশিংলগা অমদি মশক মুন্না খঙলবা হৌরক্লিবা নহাশিং অসিনা মখোয়না ফিল্মদা কেরেক্টর রোল অমা কুম্বদু নত্তবা করি করি থৌদাং লৌরগা তুংলমচৎকী ওইনা মণিপুরী ফিল্মগী অফবা মরাইবক অমা পুরকপা ঙমগদগে হায়বা অসোমদসু খন্নবদা শরুক য়াহন্নিংই। মমাঙগী অহল লমনশিং অসিনা চৎলিবা লম্বীগী খোঙ্গুল লীহন্নিংই।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।১২।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
পোইনুগী ২২নি পানবা।

মেষ: য়েৎনবা অমদি অফা-অপুনগী লমদা মায় পাক্কনি। পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা য়াবা লৈরে। য়েক্লবনা অমদি থাজদনা নক্লবনা হুন্দুনা ঙাংই। থেংলপ্পা নিংবা থুংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা য়াম্না ঙাংগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা/হিগোক।

বৃষ: চিংনবা পোক্লদি থৌপাংদবনা ফবা নুমিৎনি । মরম খঙদনা হোয়া ফগনু-মতম মাঙগনি অমদি ফংবা য়াবা লৈরম্বসু অখঙ অহৈগী ৱা তাদ্রদি লান্না শিজিন্নখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিথুন: অয়ুক্তা য়াম্না ফবা ওইজ-ওইথক ফংগদবা খোঙশাল লৈ, মতম মাঙহনদনা খুৎ থাহৌবা য়াম্না লাইবক ফগনি। চিঞ্জাক কান্নবা মাঙজবা লৈগনি-থাজৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা ।

কর্কট: থেংলপ্পা হকচাং নুংঙাইগনি, নিংবা মপা চাগনি অমদি ওইজ-ওইথক চাওনা ফংগনি। য়েক্লবনা নরল মৎপিখিবা য়াবদি লৈ-মতাং চাদনা অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

সিংহ: পুং ১১ ফাওবা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈগনি-থিন্থদনা অনৌবা থৌরম পাঙবা হৌহৌরো। অফবা লৌশিং লৈগনি, য়েৎলম্বা কোকখিনি, মীচঙ ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

কন্যা: থেংলপ্পা নিংবা থুংবা, অনৌবা আশা লাকপা অমদি নচাক নরল চাওখৎপা , মীয়ামগী মতেং ফংবা অমদি ইমুং-মনুং নুংশিনবা লৈ। হুরানবদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

তুলা: অয়ুক্তা মায় পাক্কদবা খোঙশাল লৈ। ইচঙ থৌবা অমদি নিংহন্নদবনা লাকচবীনবা লৈরোই, অফবা ৱারেপ লৌবা য়ারগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক: থবক পাঙগনি, নিংবা থুংগনি, লাইবক ফগনি অমদি মীচঙ লৈগনি। খোইরাংবা খরদি লৈগনি-তপথৌ। চিন কনবনা নরল মাঙগনি-ৱা য়াম্না ঙাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু: মীপাইরম্বা কোক্লনি, লমদৈ কান্নবা ফংলনি অমদি অনৌবা মীয়াম্না চানবগিনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি মরুপ্না ৱরৌবা খরদি লৈগনি-পংশিন্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর: হোয়া ফগনু মরম চাবা য়েংলগা খুৎ থাও। নচা-ননাই চাওখৎকনি অমদি মীয়াম পুল্লগা নুংঙাইবা লৈগনি। অনম তানবদি মী কায়নগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কুম্ভ: অয়ুক্তা নিংবা থুংগনি, ৱাখল নুংঙাইগনি, মীচঙ খোম্বা মায় পাক্কনি। ইচঙ থৌবা, থৌনা ফুদোকপা অমদি ইমুংগী ৱা তাবনা লম্বা লৈতনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

মিন: নিংবা থুংগনি, লাইবক ফগনি, মীচঙ ৱাৎলোই অমদি অঙম্বনা ৱারৌরসু নুংশিবীগনি। মরুপ মপাংনা থবক্তা তেংবাঙবিগনি অমদি পোরম য়াৎপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ইস্যু খূদিংমক পুন্না থেংনমিন্নরবদি লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তম কায়বা ঙম্লোই : এম দি নসিরুদ্দিন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা থোক্লিবা ইস্যু খূদিংমক্তা ফুরুপ খূদিংমক্না অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা পুন্না থেংনমিন্নরবদি লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তম কায়বা ঙম্লোই হায়না লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলদা কৈরাও এ সীদা মীরেপ ওইগদৌরিবা এম দি নসিরুদ্দিন খাননা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা খৃষ্টমাসকা মরী লৈননা কৈরাও এ সীদা লৈরিবা ত্রাইবেল খুলশিংদা তেংবাঙ ওইনা শেল অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীবগী থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

তেংবাঙ পীখিবা খুলশিং অদুদি ৱাইথৌ চিরু, সমান তাংখুল, নরাংফুং খুল, লেম্বা খুল, কর্পুর শুংবা খুল অমসুং পোইরৈ খুলনি। হায়রিবা খুলশিং অসিদা পাঙথোকখিবা খৃষ্টমাসকী কুম্মৈশিং শরুক য়ারদুনা এম দি নসিরুদ্দিন খাননা হায়খি, লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্লা মতম পুম্বদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরবদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ইস্যু খূদিংমক থেংনবা ঙমগনি। মদুগী মথক্তা ষ্টেট অসিগী অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনা থম্বা ঙমগনি। মতম পুম্বদা কাঙলুপ-ফুরুপ নাইবা ৱাখল্লোন থাদোকসি। ঙসি কৈরাও এ সীদা লৈরিবা ত্রাইবেল ইচিল-ইনাওশিংনা খৃষ্টমাসকী কুম্মৈ পাঙথোকপদা শরুক য়াজবগা লোয়নননা অঙম্বা খরা তেংবাঙজবনি। ভোট কানবনি হায়দুনা মীরেপশিংনা কাঙলুপ-ফুরুপ নাইবগী চৎনবী থাদোকসি। লাক্লিবা মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি কৈরাও এ সীবু মোদেল এ সী অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## পাউমীশিং ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): খৃষ্টমাসকী নুংঙাইরবা কুম্মৈগা মরী লৈননা ৱান ইন্দিয়া ফাউন্দেসন, ন্যু দেল্লীদা বেজ তৌবা প্রোফেসর রাকেশ সিনহা রাজ্য সভাগী এম পি মেম্বর ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওফ হোম এফেয়ার্স, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি মেম্বর প্রেস কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দেল্লীনা শীন্দুনা ঙসি প্রেস মীট অমা পিশুমথোং মনাক্তা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ৱান ইন্দিয়া ফাউন্দেসন ন্যু দেল্লীগী নেসনল ফাউন্দর মেম্বর সেগা রোদ তখেল লৈকায়দা লৈবা সনা মৈত্রমনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা মৈত্রম ইবোপিশক্কী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা মীদিয়া পর্সনেলশিংদা লেংয়ান ফি অমমম পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌরম অদুদা সনা মৈত্রমনা হায়খি, মখোয়গী ওর্গনাইজেসন অসি পোলিটিকেল এফিলেসন লৈতে, অদুগা পোলিটিসিয়ন অমত্তগা মরী লৈনদে। মখোয়না তৌজরিবা অসিদি হ্যুমেনিটরিয়ন রোলনি। চোকথবা নাইদনা থবক তৌরিবা মীদিয়াশিংবু ঈকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়নননা ওন্ট্রপ্রেন্যুর, স্কিল দিভেলপমেন্টতা থবক তৌরিবশিং পূক্লিং থৌগৎপা, অনাবা লায়েংবা ঙমদ্রবা মীওইশিংদা অঙম্বা মতেং পাংবনি হায়রি।

## হার য়াওদবা পোখোক মীয়ামদা ফংহনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অরাপতি অৱাং লৈকায়দা লৈবা সোইবম মনিতোনগী য়ুমদা অরাপতি উরুপ ফার্মর এসোসিএসনগী অহুল্লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কৈরাও এ সীগী এম এল এ, ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দকী দেপ্যুটি চ্যেরমেন রামেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেন, অরাপতি উরুপ ফার্মর এসোসিএসনগী চ্যেরমেন কোম্হৌজম ইবোতোম্বীনা থৌরম মপু, এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট থোঙাম পরিজাৎ অমদি ফান্দোম দেবাননা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফার্মর এসোসিএসনগী মেম্বরশিংগী মরক্তগী মায় পাক্লবা নীংথম মহৈ-মরোং পুথোকপা লৌমী অহুম ৱাহেংবম বিরচন্দ্র, তখেল্লম্বম নিমাইচান্দ অমদি সোইবম মনিতোনদা শেলগা লোয়নননা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা সোইবম মনিতোননা কি নোটকী ৱারোল পীরদুনা হায়, এ সী অসিদা লৈরিবা এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা মতম-মতমগী মরূ-মরাংশিং লৌমীশিংদা ফংহল্লি। মখা তানসু লৈঙাক্লা পীথরকপা তোঙান তোঙানবা স্কিম অমদি লৌউ-শিংউগী পোৎলমশিং এম এল এগা তান্নদুনা ফংনবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ রামেশ্বরনা হায়খি, অরাপতি উরুপকী লৈরিবা ফার্মর এসোসিএসন অসিগুম্বা লৈকায় লৈকায়দা লৈরবদি লমদম অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক খুন্মাং চাউশিনবা ঙম্বদা নত্তনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনসু চাউখৎপা ঙমগনি। অরাপতি উরুপতা পুথোক্লিবা মহৈ-মরোংশিং অসি হার অমদি হিদাকনচিংবা অতৈ কেমিকেলগী পোৎলমশিং শীজিন্নবগী চাং য়াম্না নেম্মী। অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নদনবা পোখোক পুথোক্লিবা মীওইশিংনসু য়ারিবমখৈ হোৎনবীয়ু হায়খি।



Title : Sun Raising
By : Deepa Luxmi Akoijam
Class : V Sec : B Roll : 37
School : Sacred Heart School, Yairipok



Title : Sunset
By : Henbisana Maisnam
Class: I Roll : 9
School : Kids Tower School, Malom



Title : Merry Christmas
By : Ngasepam Krishnan Singh
Class : I Sec : D Roll : 50
School : St. Joseph Higher Secondary School



Title : Parlint
By : Parlint
Class : V Roll : 4
School : Progressive English School



Title : A Man
By : Pibathoi
Class : IV Sec : B Roll : 16
School : Maheilen Education Centre



Title : Dog and Boy
By : Takhellambam Rohit
Class : V Roll : 23
School : Maheilen Education Centre



Title : Sky
By : Ayesha Gurung
Class : VI Roll : 33
School : Maheilen Education Centre



Title : Landscape
By : Akoijam Dayananda Singh
Class : VII Roll : 61
School : Maheilen Education Centre

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।